

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, May 09, 2021, Imphal
Page 11




মে ১১দা ক্রোএসিয়াগী সিটি জাগ্রেবতা ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুরদা শরুক য়াগদৌরিবী ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাইসু ওইখ্রবী ৱর্ল্ড কপ অমদি এসিয়ন গেমসকীসু গোল্ড মেদল ফংখ্রবী প্রেসর লৈরকপদা হেন্না ফজনা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্বী রাহি সার্নোবট

স্পেনগী ক্লব রিয়াল মাদ্রিদকী কেপ্টেনসু ওইরিবা হন্দক্তা চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমীফাইনেলদা শোকখিবদগী লালিগাগী মরুওইবা লেমহৌরিবা মেটচ ৪দা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা সর্জিও রামোস

## কেপ্টেন রানী য়াওনা অতোপ্পা টিমমেট ৬ কোভিদ-১৯দগী রিকোভর তৌখ্রে




বেঙ্গলুরু, মে ০৮ (এজেন্সী):
বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) সেন্টরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা চয়োল ২ ক্বারন্টিন তৌরুরবা মতুং ফরদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী কেপ্টেন রানী রামপাল অমদি মহাক্কী অতোপ্পা শান্নমিন্নরোয় ৬ রিকোভর তৌদুনা ট্রেনিং চত্থনবা শেম শাখ্রে।

রিকোভর তৌরবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি সবিতা পুনিয়া, শর্মিলা দেবী, রজনি, নবজোট কোর, নবনিট কোর অমসুং পুখ্রম্বম সুশিলানি। শান্নরোয় খক্তদা নৎতনা রিকোভর তৌরবা অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফ অনী অদুদি ভিদিও এনালিষ্ট অম্রুতাপ্রকাশ অমসুং সাইন্টিফিক এদভাইজর ৱেন লোম্বার্দনি।

নীংশিংবা য়াই, বেঙ্গলুরুগী নেসনল কেম্প অদুদা নুমীৎ ১০নিগী ব্রেক লৈরুরবা মতুং এপ্রিল ২৪দা নুপীগী হোক্কীগী টিমগী কোর গ্রুপ অদুনা হল্লকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনি। অদুবু মখোয় পুম্নমক সিম্পটম লৈবদি অমত্তা ওইখিদে।

কেপ্টেন রানী রামপালনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা চয়োল অনীগী মনুংদা মহাক অমদি টিমমেট য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফশিংবু নুংশিবীবা অমদি মেসেস অমসুং ফোন কোলশিংগী খুত্থাংদা মেন্টেল সপোর্ট পীবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরকখি। মখোয় পুম্নমক মপূং ফানা কোভিদ-১৯দগী রিকোভর তৌরে হায়খি।

হোক্কী ইন্দিয়া লোয়নননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়বু চেকশিন্না য়েংশিনবীবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

রানী রামপালনা মখা তারদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্কা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা পীরিবা অৱাবা চৈথেং অসিদা মতেং তঙাইফদনা নীরিবা মীওইশিংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা অরেবা মতেং পাংবীগদবনি হায়খি। হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়া লাইচৎ অসিনা লৈহনখিদবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি ঐখোয় পূন্না লান্থেংমিন্নসি। লৈঙাক অমদি হেল্থ ওথোরিটিনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং পূম্নমক মপূং ফানা ইন্দুনা লায়না অসি শন্দোকপদগী লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মীয়ামদা কেপ্টেন রানী রামপালনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## বর্সেলোনাগা দ্রো চৎতুনা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মাঙজিল থারি

মাদ্রিদ, মে ০৮ (এজেন্সী):
লালিগাগী য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইখিবা বর্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা ঙসি শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট টেবলদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসিগী মেটচ অদু বর্সেলোনানা য়ূম্থু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ কেম নৌদা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী মাংওইননা এটলেটিকো মাদ্রিদদা রাউন্দ ৩৪দা পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা লালিগাগী টেবলগী মকোক ওইরকপনি। অমরোমদা বর্সেলোনা মেটচ ৩৪দা পোইন্ট ৭৪ ফংলগা অনীশুবদা লৈখি। করিগুম্বা বর্সেলোনানা ঙসিগী মেটচ অদুদা মায় পাকপা তারম্লবদি মখোয়না মকোক্তা লৈরম্বগী খুদোংচাবা ফংখি। অদুবু মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

লালিগাগী অতোপ্পা মেটচশিংদা রিয়াল সোসাইদেদনা এলচেবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। সোসাইদেদকী পাঞ্জল ২মক শান্নবগী অনীশুবা হাফতা চনখিবনি। অহানবা পাঞ্জল অদু ৭২শুবা মিনটতা অটনান জানুজানা পীরকপা বোলদা এদিদ এলুসটোন্দোনা চনবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা জোন বোটিষ্টানা পীরকপা বোলদা মাইকেল ওয়ারজবলনা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা চনখিবনি।

দিপোর্টিভো অলভেস অমসুং লিভান্টে অনীগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২/২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা দিপোর্টিভোগী মায়কৈদগী পেরে পোন্সনা চনখি। লিভান্টেগী মায়কৈদগী জে মোলারেজনা ইক্বেলাইজর অদু ৩৬শুবা মিনটতা চল্লগা মহাক্না টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু চনখি। ৮৭শুবা মিনটতা জোসেরুনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

## লীদস য়ুনাইটেদনা টোটেনহাম হোটস্পর থোইখ্রে, লেষ্টর সিটি মায়থীহৌরে

লন্দন, মে ০৮ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীদস য়ুনাইটেদনা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীখ্রে। লেষ্টর সিটি ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মখূৎতা ২-৪দা মায়থীহৌরে।

লীদস য়ুনাইটেদনা য়ূম্থু ওইদুনা শান্নখিবা মেটচ অদু ঙন্না টিম অদুগী মায়কৈদগী ষ্টোর্ট দলাসনা ১৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুবু টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী দেলে অলিনা পীরকপা বোলদা হিয়ুং মিন সোননা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা লীদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ইগজান অলিওস্কিনা পীরকপা বোলদা পেট্রিক বমফোর্টনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ২-১দা হেল্লগা লৈখি।

শান্নবগী মখা চত্থরকপা অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম স্কোরবোর্দ অদু হোংবা ঙমখিদে। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬তা ঙাইশিল্লক্লুবা মতমদা পাঞ্জল ১ হেন্দুনা লৈরিবা লীদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী রোদ্রিগোনা টিমমেট রাফিনানা পীরকপা বোলদা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা ৩-১দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু হোংখিদবদগী মায় পাকখি।

লীদস য়ুনাইটেদ মায় পাকপা অসিনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৯শুবদা হাইগৎপা ঙমখি। অমরোমদা, টোটেনহাম পোইন্ট ৫৬ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

টুর্নামেন্টগী অতোপ্পা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মখূৎতা ২-৪দা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদু লেষ্টর সিটিনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা য়ূম্থু ওইখি।

অহানবা হাফতা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনশিনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা জোসেফ ৱিলোকনা চনখিবনি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী ৩৪ শুবা মিনটতা মেট লিচিনা খায়দোরকপা বোলদা পোল দুমেটনা চল্লগা হাফ অদু ২-০দা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী ১৯শুবা মিনটতা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী কেলম ৱিলসননা ৬৪শুবা মিনটতা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী মিনট ৭৩ চঙশিল্লকপদা ন্যু কাসলগী কেলমনা টিমগী ৪শুবা অদুগা মশামক্কীনা ২শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ মখা চত্থরকপদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জিমি বার্দিনা পীরকপা বোলদা মার্ক অলব্রাইটননা পাঞ্জল ১ ৮০শুবা মিনটতা চনখি। মিনট ৭ লৈরগা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় কে ইহেনাচোনা অয়ুস পেরেজনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মেটচ অদু মখোয় ২-৪দা মায়থীরগা লোইশিনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টেবলগী খ্বাইদগী মনিংদা লৈরিবা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ অমসুং খৃষ্টল পেলেস লম্বা তৌনবদা খৃষ্টল পেলেসনা ২-০দা থোইবা ঙমখি। শেফিল্ড য়ুনাইটেদনা য়ূম্থু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা খৃষ্টল পেলেসকী মায়কৈদগী সী বেন্টিকে অমসুং এবেরিচিনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

## মোইরাংথেম বাবাসনানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):
লৈবাক অসিগী থাঙ-তাগী শিনতাকপা সগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক্তা লৈবা মোইরাংথেম বাবাসনানা ইখঙ খঙহৌদনা মে ৫ অমদি ৬কী লোন্নবা অহিংদা লৈখিদবদা থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী শিনারেন (সেক্রেটরি) চুংখাম সুনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওজানা লৈরিঙৈ মতমদা সলাই তরেৎ হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তা কন্না লূপকী শিনতাকপগী থৌ পুবীরদুনা ইরমদম অসিগী থাঙ-তাবু চাউখৎনবা হোৎনবীরম্বা কয়াবু থাঙ-তা লোইশঙনা ইকাই খুম্নবা উৎচরি। ওজাগী থৱায় মিরেলনা তাইবং মপূগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা নুংঙাইনা লৈরুনবা মপূগী মফমদা থাঙ-তা লোইশঙনা থৌনীজরি। ওজাগী মহৈশঙ অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লোইশঙনা শরুক য়াজরি। ওজাগী থৱায় মিরেলনা ঐখোয় পূম্নমকপু থাদোক্তুনা চৎখিবদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাঙবা অমদি অদুম্মক লৈহৌরগনি। অমুক হন্না ইরমদম অসিদা পোকপীদুনা থাঙ-তা অসিবু য়োকখৎপীরনবা মপূগী মফমদা থৌনীজরি।

## স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শুটরশিংগী য়ুরোপিয়ন টুরগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৩ পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ওলিম্পিককী ক্বালিফাই ওইখ্রবা শুটরশিংনা ক্রোএসিয়াদা কম্পিটিসন কম ট্রেনিং টুর অদুগীদমক্তা লুপা ক্রোর ৩ কায়থোকখ্রে হায়রি।

মীওই ১৫না শাবা টিম অদু থা অসিগী ১১দা ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবকীদমক্তা ন্যু দেল্লীদগী চার্টরদ ফ্লাইট অমদা পূন্না চৎকদৌরিবনি। মে ২০দগীনা ৬ ফাওবা ক্রোএসিয়াগী ওসিজেক সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগনি। মদু লোইরবা মতুং মফম অদুমক্তদা জুন ২২দগী জুলাই ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এস এফ (ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন)কী পূনশিল্লবা ৱর্ল্ড কপ অদুদসু শরুক য়াগদৌরিবনি। মমাংদা অজরবৈজানগী বাকু সিটিদা জুন ২১দগী জুলাই ২ ফাওবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লৈবাক অদুদা হেনগৎলকপদগী য়েথোক্লগা ওসিজেক সিটিদা পূন্না পাঙথোক্লনবা ৱারেপ্পখিবনি।

## এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ ফংবনা থাজবগী চাং ৱাংখৎখি, হেন্না ফগৎপা ঙমগনি হায়না ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা অভিসেকনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৮দা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকরটাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপা অদুনা মশাদা অহেনবা থাজবা পীরকখিবগা লোয়ননা তুংদসু হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা শুটর অভিসেক বর্মানা ফোঙদোকখ্রে।



মশাগী চহী ৩১ শুরবা অভিসেক বর্মানা জকরটা এসিয়ন গেমসতা ফংখিবা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা করিয়রগী অহানবা ইন্টরনেসনল মেদলনি। মদুগী তুংদগী মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স হেন্না ফজরক্তুনা কুমজা ২০১৯দা চাইনাগী কোনুং বৈজিং অমসুং ব্রাজিলগী কোনুং রিওদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপশিংদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙম্বদগী হৌজিক-হৌজিক নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈবা ঙম্লিবনি।

মহাক মশামক্কী চহী ২৭ শুরকপদা কুমজা ২০১৫দগী হৌরগা শুটিং মশান্না অসিদা খোঙদারকখিবনি। মীয়াম্না মহাকপু হোবী শুটর হায়না মিংথোন পীখি। অদুবু এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ লৌরকপদগী মহাক্কী পর্ফোর্মেন্সতা অহেনবা কয়া লাক্তুনা তুংদসু অচৌবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লাকখি। মহাক ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিকতা ক্বালিফাই ওইরবা শুটর ১৫গী য়ুরোপিয়ন ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুর অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লিবনি। অভিসেক পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টতা এদভোকেট ওইরি।

## হোক্কী শান্নরোয় রবিন্দ্র পাল কোভিদ-১৯না লৈহনখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৮ (এজেন্সী):
কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী শান্নরোয় অমা ওইরম্বা রবিন্দ্র পাল সিংহ লক্ষ্ণৌদা ঙসি অয়ূক চয়োল ২ হেন্না কোভিদ-১৯ লায়নানা নাহন্দুনা লৈরক্লবা মতুং লৈখিদ্রে।

মমাং থাগী ২৪দা লক্ষ্ণৌগী বিভেকানন্দ হোস্পিটালদা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা রবিন্দ্র পাল সিংহ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লায়েংদুনা লাকখিবনি। শগোলশেন নুমীৎতা নৌনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরক্তুনা নন-কোভিদ ৱার্দতা হোংদোক্লকখিবনি। অদুবু ইরাই নুমীৎতা ফীভম শোকপা হেঞ্জিল্লকপদগী ভেন্টিলেটর হাপ্তুনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি অয়ূক লৈখিদবনি হায়রি।

রবিন্দ্র পাল কুমজা ১৯৭৯দা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টদসু শরুক য়াখি। ওলিম্পিক গেমস অনীরক শরুক য়াবা ঙম্লম্লবা রবিন্দ্র পাল সিংহনা পাকিস্থানগী করাচি সিটিদা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্ট অনীরক ইনিদয়াগী টিমদা শরুক য়াখি। লোয়ননা মুম্বাইদা পাঙথোকপা ১৯৮২ হোক্কী ৱর্ল্ড কপতসু ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা রবিন্দ্র পাল সিংহ লৈখিদবদা ইন্দিয়াগী হোক্কীগী য়াম্না মরুওইবা মীওই অমা মাঙজরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না ইন্দিয়াগী হোক্কীদা থল্লম্বা কন্ট্রিব্যু-সনশিং অদু কাউবা ঙম্লরোইদবা ঙাক্তনি হায়না মিনিষ্টরগী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকখি।

## বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা আর বি লৈপজিগপু ৩-২দা থোইখ্রে

বর্লিন, মে ০৮ (এজেন্সী):
জর্মনিগী বুন্দেসলিগাগী ৩২শুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা য়ূম্থু ওইরগা শান্নখিবনি। মমাংদা দোর্টমুন্দ রাউন্দ ৩১ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫৫ ফংলগা ৫শুবদা লৈরম্বনি। অদুগা আর বি লৈপজিগনা মেটচ ৩১দা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা বেয়র্ন ম্যুনিককী মথংদা অনীশুবদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী ৭শুবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী থোরগান হাজার্দনা পীরকপা বোলদা মার্কোস লিয়ুসনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুম্মক লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মখা তানা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী এটেক অমদা আর গুইরৈরোনা পীরকপা বোলদা জাদোন সানচোনা ৫২শুবা মিনটতা চল্লগা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

আর বি লৈপজিগকী মায়কৈদগী কোলষ্টরমেননা ইমিল ফোর্সবর্গকী বোলদা



৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় দেনিএল ওলমোনা হি চান ৱাংনা পীরকপা বোলদা ইক্বেলাইজর অদু ৭৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা জাদোন সানচোনা ৮৭শুবা মিনটতা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

বুন্দেসলিগাগী অথেংবদা শান্নবা মেটচ অমদা হোফেন হেমনা সালকে ০৪বু পাঞ্জল ৪-২দা থোইবা ঙমখি। ৱোল্ফসবর্গ অমদি য়ুনিয়ন বর্লিন লম্বা তৌনবদা ৱোল্ফসবর্গনা ৩-০দা থোইখি। ওক্সবর্গ ভি এফ বি ষ্টুটগার্টকী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌখি। অদুগা ৱর্দর ব্রিমেন অমসুং বেয়র লেবরকুসেন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 322/AS & SO/TBL Dt. 26/04/2021**

1. Khundrakpam (N) Ningthoujam (O) Shyama Devi, W/o. Subol Singh of Khangabok Cherapur Leikai
2. Khundrakpam (N) Tongbram (O) Anandi Devi, W/o. Sunil Singh of Khangabok
3. -do- (N) Thokchom (O) Yaimbi Devi, W/o. Sarat Singh of Khangabok Sanilou Leikai
4. Khundrakpam Gojen Singh, S/o. (L) Birmangol Singh of Khangabok Sanilou Leikai
5. -do- Hemanta Singh, S/o. (L) -do- of -do- - Applicants

-Vrs-

(Late) Pattadar, Ningthoujam (N) Khundrakpam (O) Ibemhal Devi, W/o. (L) Birmangol Singh of Khangabok Awang Leikai - Opp.

**/ NOTICE**


Dt. 07/05/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ৮৫৯/অং পাট্টা নং ১৫৩৯/৩৩৫৭ (অনৌবা) দাগ নং ৫৭০৬ এরিয়া .৩১৫০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদারিনি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারিনিগী মমিং কল্লগা লম অসিগী অপূনবা এরিয়া .৩১৫০ হে: মনুংদগী মৃ: পাট্টাদারিনিগী মচানুপী নিঙোল ৩ (অহুম)গী ওইনা এরিয়া .০৪০২ হে: অসি নামা পানবীরো অদুগা পাট্টাদারিনিগী মচানুপা ২ (অনী)গী ফংফম থোকপা কে ঐচ গোজেন সিংহগী এরিয়া .০৮০৯ হে: অমসুং কে ঐচ হেমন্তগী .০২৮৩ হে: নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- (M. Ningthembi Singh)**
Assistant Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9736/9

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 103

**WIM Chitlange, Sakshi (2073) - GM Raetsky, Alexander (2381)**
**24th Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2017.08.19**

1.d4 d5 2.Nf3 Nc6 3.Bf4 Bg4 4.e3 e6 5.h3 Bh5 6.c4 Bb4+ 7.Nc3 Nf6 8.a3 Bxc3+ 9.bxc3 O-O 10.Bh2 dxc4 11.Bxc4 Na5 12.Be2 Rc8 13.Nd2 Bxe2 14.Qxe2 c5 15.O-O Nd5 16.Rac1 cxd4 17.cxd4 Qd7 18.Be5 f6 19.Bg3 Rxc1 20.Rxc1 Rc8 21.Rxc8+ Qxc8 22.Qb5 b6 23.e4 Nc3 24.Qd3 Qc6 25.Bb8 Na4 26.d5 Qd7 27.Nb3 Nxb3 28.Qxb3 exd5 29.exd5 Nc5 30.Qc4 Kf7 31.d6+ Qe6 32.Qh4 h6 33.Qh5+ Kf8 34.Qf3 Nd7 35.Bc7 Kf7 36.Kh2 g6 37.g3 h5 38.Qf4 Kg7 39.Qa4 Kh6 40.Qxa7 Qd5 41.Bxb6 Ne5 42.Be3+ g5 43.Qc5...

**QUESTION :**
**Black to win or Draw**

**Puzzle 102 Ans. :**

**17.** Rfc1 c6 **18.** Qxc6 Rd1+The black rook deflects White's rook away from protecting the queen. **19.** Rxd1 Qxc6
**17.** ...Bxb5 **18.** axb5 Rxb5 **19.** Qxc7 Qxc7 **20.** Rxc7 Nd5 **21.** Rc5 Rxb2 **22.** Rcxa5 Rxa5 **23.** Rxa5 h6 **24.** Kf1 Nxe3+ **25.** fxe3 Kh7 **26.** Kf2 f6 **27.** Ra7 h5 **28.** Re7 e5 **29.** h4 Kh6 **30.** e4 Rb3 **31.** Re6 Rb7 **32.** Kg2 Kg6 **33.** Re8 Rb3 **34.** Kf2 Rb4 **35.** Kf3 Rb3+ **36.** Kf2 Rb4 **37.** Kf3 Rb3+
1/2-1/2

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 218/AS&SO/TBL, dt: 11-03-2021**

1. Hijam Noren Singh S/o (L) Achou Singh of Athokpam.
2. -do- Ranbir Singh S/o (L) Achou Singh of -do- -Applicants

-Vs-

(Late) Pattadar Hijam (N) Khangembam (O) Ibecha Devi W/o Bhisma Singh of Athokpam. -OPP.

**/ NOTICE**

Dt. 7/05/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২ - অথোকপম পাট্টা নং ৭৩০, ১১৭৩ (অরিবা) পাট্টা নং ৯৪১ (অনৌবা) দাগ নং ৩৩০৩ এরিয়া .১০৫০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদারীনি কো: পাট্টাদার ১শুবা হিজম (নি) খাঙেম্বম ওংবী ইবেচা দেবী পতি ভিসমা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারীনিগী মমিং কল্লগা কো: পাট্টাদার ২শুবা হিজম নোরেন সিংহ অমদি কো: পাট্টাদার ৩শুবা রনবীর সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9736/9

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 217/AS&SO/TBL, dt: 11-03-2021**

1. Hijam Noren Singh S/o (L) Achou Singh of Athokpam.
2. -do- Ranbir Singh S/o (L) -do- Singh of -do- -Applicants

-Vs-

(Late) Hijam (N) Oinam (O) Ramani Devi W/o Shamungou Singh of Athokpam Co-Pattadar No. 1. -OPP.

**/ NOTICE**

Dt. 7/05/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩২- অথোকপম পাট্টা নং ৭৩০ (অরিবা) পাট্টা নং ৯৪০ (অনৌবা) দাগ নং ৩৩০২গী এরিয়া .১০৫০ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদারিনি কো: পাট্টাদার ১শুবা হিজম (নি) ওইনাম ওংবী রমনি দেবী মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা কো: পাট্টাদার ২শুবা নোরেন সিংহ ১দি কো: পাট্টাদার ৩শুবা রনবীর সিংহ মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9736/9